ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ১৩, ২০১৭, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ১৭০ শুবা মশীং

# পুলিসকা মীয়ামগগী মরী

### *মণিপুর পুলিসতি ফোর্সকী মহুত্তা সার্ভিস ওইনা লৌগদবনি*

**ইন্দিয়াগী** অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌবগুম মণিপুরদসু বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখ্রবা তুংদা বৃটিশকী পুলিস লিংখৎপা হৌরকখি। মতমদুদা পুলিসপু এম্পায়র পুলিস হায়রগসু খঙনৈ। মণিপুরদা কুমজা ১৮৯৪ দা ইহান হান্না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন লিংখৎখি। মতমদুদা মৈনো কৌবা মীওই অমনা এস আই ওইনা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ও সী ওইনা থবক পুরম্মী। বৃটিশনা পুলিস লিংখৎত্রিঙৈগী মমাঙ, মনিং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরিঙৈদা পুলিস হায়বসি লৈরমদ্রগসু পুলিসতগী হেন্না মতিক ময়াই লৈনা থবক তৌবা কাঙবু অমা লৈরম্মী। মদুবু মীয়াম্না লালূপ হায়রগসু খঙনৈ। মদুগী মতুং তারকপদা চৈরাপ হায়দুনা তোখায়না অমুক পুলিসকী মওংদা থবক তৌরকখি। লোগী ৱাংমদা থবক তৌবা মীওইশিং চৈরাপকী মখাদা মী ফারগা চৈরাক পীননবা থবক-থৌরমশিং লৌখৎলি। মতমদুদদি নিংথৌনা জুদিসিএরি, লেজিসলেচর অমসুং ইগজিক্যুটিবকী মতীক-ময়াই পুল্লপ পায়শিনবনিনা মী অমা মরাল লৈরে হায়দুনা চৈরাক পীবা হায়বসি অতেনবা মতমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্মী। নিংথৌগী মায়োক্তা লাল হৌই হায়বা ৱাফমসিনা খ্বাইদগী চাউবা চৈরাক পী। মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীওইসু অঙম্বশিংনবু য়াদ্রবদি লৈবাক্কী মায়োক্তো থবক তৌবগী অকনবা চৈরাক পীবনা মরম ওইরদুনা নিংথৌগী লৈঙাক অসি মীয়াম্না পাম্নদে। মসিনা মরম ওইরগা দিমোক্রেসি হায়বা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপগী ৱাখল্লোন অসি মণিপুরদসু ঙাল্লিঙৈ মতমদগী চঙলকপা হৌরকখি। অদুবু নিংথৌগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবদি য়াদবনিনা থম্মোয়নুংদা অদুম্মক খল্লগা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্নখিদে। মতম অমদা ইন্দিয়াগী পুলিস অসি এম্পায়র পুলিস হায়না কৌরমই। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরকপদগী এম্পায়র পুলিস হায়বসি সার্ভিস ওইনা ওন্থোরকখি। হান্না পুলিস ফোর্স হায়রম্বা অদু মতমদুদগী হৌনা পুলিস সার্ভিস হায়না অতৈ ৱাটর সপ্লাই, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টগুম্না মীয়ামদা সার্ভিস পীননবা ওইনা থবক তৌরকখি। মসিমক্না মরম ওইরগা ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস, মণিপুর পুলিস সার্ভিস হায়দুনা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসরশিং লৌরকখিবনি।

মণিপুরদা পুলিসকা মীয়ামগা অদুক্কী মতীক লাপথোক্লে। পুলিসনা মীয়ামবু উবদা কোক নোনবগী মহুত্তা শেল থোকপা য়াবা মীওই ফুরুপ ওইনা উই। মীয়াম্নসু পুলিস উবদা কি-তুক্কৎচবা ফাওই। মতীক ময়াই চেনবা মীওই খরনদি পুলিস পার্সনেলশিং মখোয়গী ফুরিৎখাউদা হাপ্লগা পুই। মখোয়না তৌহন্নিংবা থবক তৌহল্লি। মখোয়না পুলিস পার্সনেল অমবু প্রমোসন কাহনগে, অফবা পোষ্টিং পীগে হায়বা ঙমই। মসিননি পুলিস পার্সনেলশিংনা লৈবাক অসিগী লোদগী মখোয়গুম্বা মীওইনা হেন্না লূম্না লৌরক্তুনা লো এন্দ ওর্দরদা কাং-খোং চাইহল্লকই। ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিদদি পুলিসকা মীয়ামগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। রোবার্ট বেল কৌবা মশক নাইরবা মীওই অমনা কম্যুনিটি পুলিসশিং লিংখৎতুনা ইংলেন্দদা ইহান হান্না মীয়ামগী পুলিস ওইনা থবক পায়খৎপা হৌখি। মহাক্কী মিৎয়েং মখাদা মেট্রোপোলিটান পুলিস শেমগৎতুনা পুলিসপু বোবী হায়না মমিং থোন্দুনা মীয়ামগী থবক তৌরকখি। বোবী হায়বসি য়াম্না নুংশিবা মিঙ্গৌ ইবুংঙো/ইবেম্মা হায়বা অদুগুম্বনি। মখোয়গী লৈবাক্তদি পুলিস পার্সনেল অমগী প্রমোসন পীবসি ইন্দিয়াগী মওং-মতৌগা য়াম্না শাথিনা খেন্নৈ। ইন্দিয়াদদি পার্সনেল অদুনা ক্রিমিনেল কয়া হাৎখ্রে, মী কয়া ফাখি, চার্জসীট কয়া য়াম্না তৌখি হায়বনচিংবা য়েংলগা প্রমোসন পীবা চৎনৈ। অদুবু কম্যুনিটি পুলিসশিং চৎনরবা লৈবাকশিংদদি প্রমোসন পীবগী থবক অসি মীয়াম্না ওইনা তৌই। পুলিস ওফিসর অদু মীয়ামগা তোৎন-তিন্নবদা কয়ামুক য়াম্না নুংঙাইবগে, মীয়ামদা মহাক্কী সার্ভিস নিংথিনা ফংহল্লবরা, মীয়াম্না মঙোন্দা মপুং ফানা কো-ওপসেন পীরব্রা হায়বনচিংবা য়েংলগা মীওই অদু প্রমোসন পীবা য়াই/য়াইদে হায়বা লৈকায় অদুগী লূচিংবশিংনা চে ইখৎলি। মীয়ামগী ৱাফম অদুগী মতুং ইল্লগা পুলিস পার্সনেল অমা প্রমোসন পী। মসিগী মথক্তা অমেরিকাগুম্বা চাউখৎপা লৈবাক্তদি পুলিস পার্সনেল খুদিংমক অপীকপা রেঙ্ক (কন্সটেবল)দগী হৌই। অদুগা মখোয়দি প্রমোসন মথং মথং কারক্লগা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ফম অদু য়ৌই। পুলিস লৌবদসু অচংবা মী য়েংলগা লৌই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুর দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামবু শেল থোকপা য়াবা লল্লোন-পোৎ ওইনা উবগী ৱাখল্লোন থাদোকসি। মী হাৎলগা প্রমোসন কাববুদি মীয়াম্না মঙোন্দা মতেং পাংলগা কেস অমা মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙম্বদা ফংবা প্রমোসনদুনা হেন্না মতীক ময়াই লৈহনসি। মীয়ামগা নকশিন্নবা মরী লৈহন্নবা অকল-অরীং শীংবগী থবক থাদোকসি। থকসি-খাসি নাইবা লিচৎ চৎসি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ৱাখল তানা খন্থবীদুনা অচুম্বা থবক লৌখৎপীরক্কনি থাজজৈ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অদোমগী** নুংতিগী চেফোংসি হন্দক মরকসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী মরমদা মায়কৈ অনীগী ওইনা অপান্বশিং ফোঙদোক্লরকপা মুন্না পাজরে। ৱাফম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গীসু মত অমত্তং ফোঙদোকচরি। ময়ায় চাবা নৎত্রগা মফম চাবা হায়বসি কদায়বুনো। মতম, কুমজা, তারিখ কাউজখ্রে। থৌবাল সব দিভিজন্না দিষ্ট্রিক্ট ওইরকখিবদা ককচীংদা হেদ ক্বার্টর ওইহনবীয়ু হায়না মতম শাংনা দিমান্দ কম্মিটি অমা পার্টি খুদিংমক্কী মীহুৎ য়াওনা চঙশিনখি। মদুদা পার্টি মমিংদি হায়জররোই মতম খরা য়াওরল্লগা পোথাখি। মতম খরা লৈরগা পার্টিদুগী মীওই ৪,০০০ পূনবা মীফম অমা ককচীংগী শঙ্গাই য়ুম্ফম লম্পাক্তা ফম্বদা ইরেংবম তোম্পোক, মিনিষ্টরনা থৌবাল সব দিভিজন্দগী অপগ্রেদ তৌবা দিষ্ট্রিক্টনি অদুনা হেদ ক্বার্টর থৌবাল ওইরগনি হায়না লাউথোকখি। তিল্লিবা মীয়ামগী খুবাক মখোলনা ঐগী নাকোং কায়খ্রব্রা খঞ্জখি। লোয়ননা থম্মোয়সু মচেৎ কয়া থোক্লা কায়খি। অহিং অদুমা ঐহাক তূম্বা য়াহনখিদে, তূমখিদে। কুমজা ১৯৫৪, ৫৫, ৫৬ কী ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী ভুগোল (জিওগ্রাফি) নীংশিংদুনা লমাই মথং মথং ৱাখলদা ফাক্তোক্তুনা হায়দোক্তুনা নৈনখি। অদুবু ঐ লাইরিকশিংদুনা মীকপ থোকহনখি ঐহাক ইতোমতা ইকায়বা ফাওজখি। হৌজিকসু মীয়ামদা থমজনীংলিবদি ময়ায় কদায়নো? পৃথিবীগী লৈবাকশিং খরদং অনকপসিদগী য়েংসি, ধাকা, য়াঙ্গোন, টোকিও, মোস্কো, ওসলো, মাদ্রিদ, লন্দন, ন্যু য়োর্ক, ইস্লামাবাদ, পেরু, কলম্বো অসিনচিংবা ঐখোয়গী কোনুং দেল্লিসু ময়ায়রা?

ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদংসু হায়দোক্তুনা য়েংসি - অনকপসিদগী কোহিমা, অগরটালা, ইটানগর, দিসপুর, কোলকটা, হায়দ্রবাদ, ভুবনেশ্বর, চেন্নাই, টিরুভন্টপুরম, মুম্বাই, গান্ধি নগর, জয়পুর, চান্দিগর, সিমলা, ধেরাদুন অসিনচিংবা। মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগীদি শাংথনা ইজররোই। অমতং পঞ্জরল্লবদা ইম্ফাল ইষ্ট-ৱেষ্ট-ইম্ফাল মখোয়গী পাক চাওবা-শাংবা পূক্লিংদা খনবিরো। ময়ায়রা, মতাইরা হায়নসু খন্থবীগনি।

মালেমগী কন্ত্রিশিংগীসু, ষ্টেটশিংগীসু ময়ায় মতাই হায়বা লৈরল্লোই। লম্বী থোং মীওইবা খুন্নাইনা কুংনা তাবা মহৌশা লাইরেম্বীগী খূৎশেম্না পীরম্বা ঙাক্তনি। লম য়াম্না লৈ হায়দুনসু হেক্তা শেমজিনবা য়াদে। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি য়াইথিবী লৌকোল-কৌত্রক অনীসিদা কৌত্রক্লা হেন্না খুদোংচাগনি হায়দুনা হান্না লেপ্লম্বদগী হোংদোকখ্রিবসিনি। 'ককচীং' মণিপুরগী অহানবা ম্যুনিসিপালশিংগী মনুংদা অমনি। দিষ্ট্রিক্ট অতৈগী হেদ ক্বার্টরশিংগা শম্নবদা লম্বী থোংদা খুদোংচাবা মফমনি, লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা চীং-তম অনীগী পুনফমনি। নেসনল হায়ৱে ওইরিবা ইন্টরনেসনল হায়ৱে ওইরক্কদৌরিবা ইন্দো ম্যান্মার রোদ ককচীং ফাওদুনা চৎলিবনি। মণিপুরদা নোংথক লম্বী শেল্লকপগী লৈরিবা মফম অহুমগী মনুংদা ককচীংসু অমনি। হৌজিক লৈঙাক্কী ককচীংদা লৈরিবা মরুওইবা ওফিসশিং ৱাবগাই কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী এরিয়াদনি। ককচীং কৈথেলগী তঙ্খায় অমরোম হায়রিবা এ/সী অসিদনি। ৱাফম অসিদা পোলিটিক্সকী অখুবা মিৎয়েংদা থমদুনা এন জি ও, লূপ খরদা ইনশিন্দুনা মীওইবা মশেল নুংশিনদনবা শিনবা য়াম্না লাইবক থিবনি। অখণ্ড অহে, লৈঙাক চুকলি পায়বিরিবশিংনা ৱাখল তানা খন্থবীদুনা অচুম্বা থবক লৌখৎপীরক্কনি থাজজৈ।

*অদোমগী - নাও - কৃষ্ণমোহোন*
*প্রেসিদেন্ট, অনৌবা লৌউ পথাপ শেমগৎ লূপ, ককচীং*

# অদুঙৈগী ৱারী

### চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

**সুম** নীংশিংলকপনি মমাঙঙৈগী ৱারী, হৌজিক্কী তৌনরিবা মতৌসি উরগা। ফজরমখ্রেদা, চম্নরমখ্রেদা অদুঙৈগী পুন্সিরোলদো। নহান নোংমা নহা পাখঙ মচা অমগী ফোন অমা লম্বীদগী খুল্লি। ঐনা খোংনা চৎলিঙৈদা তুংলোমদগী গাড়ী অয়াংবী মচা অমা তুংলোমদগী হোর্নসি শাংলপ্না খোংলকই। ঐ কৈদৌবা য়াওরবনো হায়না তুং হন্না থৈদোক্লগা য়েংই। নহা ইনখৎলকপা অমা অস! য়াম্না য়াংনা থৌরকই। মাগীদু ঐগী মাঙদা তৌগে তৌরিরা নৎত্রগা মশাগীরা খঙদে ফেরে ফেরে হায়রগা থৌখি। মনিংগী ফুরিৎখাওদা য়েপ্পা মাগী ফোনদু জর্কিং অমদা গাড়ীদু শুবদুদা পোপ লাওনা তাহৌই। ফোন তাহৌরে হায়না ঐনা লাউববু নহাদু তাদে, য়াংনা অদুম থৌখ্রে। ঐনা ওন্থোকপনিদা হায়না ফোনদু খুনগৎপীরগা পায়শিল্লে। খনদি খল্লি মা শোয়দনা অমুক হল্লকখিগনি, ফোনসি থিরকখিগনি। নহাদু মশকসু খঙহৌদে, কাইদৈনোসু খঙদে, করম্না মাগী ফোনসি পীখিগনি। ফোনসিমদি মাগীনি হায়বা ঐ নাখৈ শেংনা খঙলে, মঙোন্দগী তাহৌবদু উহৌরবনিনা।

ফোনদু পায়রগা ঐ চৎকদবা লম্বীদুদা চুমদ্রিং লাকই। নহাদু হল্লক্লবদি পীবিগে হায়না। ফনা শাংনা ঐ চৎলে, নহাদুদি হল্লক্ত্রে। ঐ মাগী ফোনদু মুখৎতে, কোল তৌরক্লবদি হায়বিগে হায়না। য়ূম য়ৌরে, ফি রোল হোংদোক্লগা ঙাইহাক চৌক্রি অমদা ফমদুনা পোথাই। মাগী ফোনদু ঐগী ইমাংদা অদুম থম্মী। য়েংনীংবা অমা য়াওরকই। পায়রগা য়েংই, অতাংবা মখলগী ফোননি। এলবম হাংদোক্তুনা য়েংই। মশক খঙবা মী য়াওব্রা য়েংগে হায়না, ফোনদুদা য়াওরম্মিবা ফোটোশিংদু নহাশিংগী পিকনিক চৎপা, কোয়বা, চাবা-থকপগী ফোটোনা অয়াম্বনি। মখা খুদোন্বীনা চিং চিংদুনা য়েংই। ইম্মাইপেম্মা, ইসসস... য়েংহৈদবা ঙাক্তা, ঐ ফোনদু থম্মে। মখা য়েংদ্রে, পাখঙ লৈশাবী নম্মিন্নবা ফোটোবু অসুম্না তৌনবরা? করিনোনে মতৌসিবো, নহাশিংগী ৱাখলসিবো, সিনদি কমদৌনা ফৎতবা ৱারী থোক্লোই। করম্না থক-খা নাইবা খুন্নাই অমা শেমগনি। নহাশিংগী ৱাখল অমদি শাজৎনা অসি য়ৌনা মাঙশিল্লক্লবদা করম্না তুংলমচৎ অসিবু কনবা ঙমগনি। ৱাখলসি নুংবংনরকই।

মমাঙঙৈদগী হৌনা পাখঙ লৈশাবী ফোটো নম্মীন্নবসি য়াম্না তাঙনা তাঙনা নম্মীন্নরম্মী। ফোটোগা নম্মীন্নরবা নুংশি পুঙবা (পাখঙ লৈশাবী) দুদি পন্থুং লম্বী মখূৎনা লাম্বা ফংলবা কান্দা ওইনা তৌই। খ্বাই কৈথেল ময়ায়দা লৈবা সিনেমা হোলদা সিনেমাগা য়েংমিন্নবগী প্রোগ্রামগা থানরবা, সিনেমা য়েংমিন্নরুরগা থোরক্লগা ফোটো ষ্টুদিও অমদা চঙলগা ফোটোগা নম্মীন্নৈ। ফোটো ষ্টুদিওশিংদসু বেকগ্রাউন্দদা সিনরি ফজ-ফজবা য়েকপা য়াম্না লৈ, অপাম্বা সিনরি খন্দুনা ফোটো চম্না নম্মীন্নৈ। ফান অশাংবা অমসু থানৈ, অদুদা ফম্মীন্নৈ। খিত্তংগা নকশিন্ননা ফম্মীন্নরদি য়াম্না হেন্না নুংশিনরে হায়দু তাকই। খিত্তং লাপ্পরগনা খরা ৱাৎলপ তাবগী ৱাখল্লোন লৈনরম্মী। ঐদি ফোটো ষ্টুদিও তৌরম্বা মী য়াম্না তিন্নৈ। অদুনা অশংবা মতমদা ফোটো ষ্টুদিওদা হেক হেক ফম্মী। ফোটো চাম্মকপা ময়ামদু পুথোরকপদা 'সি য়েংউ, সি য়েংউ' হায়না পুথোরক্তুনা য়েংই। খরা নকশিন্ননা ফম্মীন্নরগা নম্বা ফোটোদু য়েংঙগা, 'সিমদি লুহোংগদৌবা কুইররোই' হায়না হায়নরগা ঐখোয় ময়াম ৱা-ৱা নোকনৈ। মদু লৈশাবী পাখঙ খুদিংমক নম্বদি নত্তে। ফোটোগা নম্মীন্নরুরগা অচাম্বা ফোটোদু থম্ফম ময়ূমদা লৈতে, কনাগুম্বনা লাইরিক মনুংদা য়েপ্তুনা লোৎলগা থম্নবা, কনা অমনা ফি মরক্তা য়েপ্তুনা থম্বা, ইমুংগী মীনগা থেংনরদি য়াম্না ইকায়নবা, অমদি য়াম্না হঙ্গোইবা অমা ওইনা লৌনবনিনা ফোটো নম্মীন্নবগী থাক অসি নুংশিনবা খুদিংমক্লা কৈসু ওইরমদে। অমরোমদা ফোটো নম্মীন্নবসি কায়নগল্লি হায়না লৌনবা, থাজনবসু লৈরম্মী। অদুনা ফোটো নম্বসি কিনৈ। কায়নগল্লি হায়বগী ৱাহন্থোক অদু হৌজিক্তদা খঙই। ফোটোদু কনাগুম্বনা উখ্রগা, য়া-য়া লাওনরক্তুনা, ইমুংগী অহল লমনশিংনা পাম্মী-পামদে গাইনা হিগাইৱা চঙনরক্কনি হায়বগী ওইরম্মী। অদুগা ফোটো নম্মীন্নবা পাখঙশিংনা খুদোংচাবা লৌরিবনা মসি ঐগা নুংশিন্নৈ, হায়না মীঙোন্দা শন্দোকপদা নুপীদুগী খুদোংচাবদু মানা ফংবা ঙম্মী। অদুনা ফোটো নম্মীন্নবসি য়ারিমখৈ নম্মীন্নদে। তৌবতদি, ফোটো ষ্টুদিওসু কা হেন্না মরাং কায়না লৈনদে। নম্মীন্নবা তারবসু খরা খরা লাপ্পা মফমদা চৎলগা নমনৈ। মতমদুগী মতৌদু কয়াদা নুংশিখ্রবা অমদি কয়াদা চেকশিন্নখ্রবা পুন্সিরোল অমনো?

হৌজিক্তি ফোটোসি নম্মীন্নবা মতমদা, মফমদা, নম্মীন্ননীংবা মওংদা নম্নরে, থোইদোক্লা চিংনবা অমত্তা লৈনদ্রে, মীপূম খুদিংনা অয়াবা পীরবদৌনা তৌনরে। মসি মতমগী অহোংবনি। অহোংবা মতম অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা কা হেন্না মনিং তম্বা পীবনা নাতৈ চাদবা থৌদোক কয়া থোক্লবগী মরম অমা ওইহল্লি। অনৌবা টেক্নোলোজিনা পীরিবা খুদোংচাবা কয়াশিং অসি মতমসিগী নহাশিংনা মরম অমদি মতম চানা শীজিন্নদবনা হেন্না মাঙনবগী শরুক ওইহল্লি হায়বসিদা থোইদোক্লা য়েৎনবা লৈত্রে।

ঙসি হৌরক্লিবা নহাশিংনা অরিবা মতমগী ৱারী অসি তাবদা নোকনৈ। চাওখত্তবনি হায়না লৌনৈ। ৱারীশিং অসিগী মনুংদা মীওইবগী ৱাখল অমদি পুন্সিরোলগী থাক অদুবুদি নৈনদে। মতমদুগী লৈরম্বা চৎনরোল অদুদা পুল্লপ হঞ্জিল্লসি হায়বদি নত্তে। অদুবু ৱারীশিং অদুনা ঐখোয়দা করি পীরিবগে হায়বা অদুমদি ঐখোয় কনানসু খন্নদবগুম তৌরি। ৱারীশিং অদুনা ঐখোয়গী লাক্কদবা পুন্সিদা অমদি হৌজিক্কী মহিংদা পীরিবা কান্নবা অদুদি লৌবা তাই। অসি হায় হায়দুনা ঐখোয় অরিবা লম্বী অদুদা হঞ্জিনসি হায়বদি নত্তে। অদুনা হিষ্ট্রি হায়বা সবজেক্ট অসি কয়াগী মতিক মরু ওইবগে হায়বদু মতাং অসিদা চোঙথোরকই। ঐখোয়না ঐখোয়গী চাওখৎলম অমা য়েংবা মতমদা ঐখোয়গী নাৎকী অমদি অহল লমনশিংগী চৎন-লিক্লম অদুবু নীংশিংদবা হায়বসি তশেংনা লাল্লি। ৱারীশিং অদুনা ঐখোয়দা শাথিনা কান্নবা মখল কয়াদা পীরি হায়বসি ঐখোয়না খন্থফম থোকই। হান্না লৈরম্বা ফজবা চৎনরোল অদুবুদি ঐখোয়না খক কাউথোকপা চুমদে। মমাঙঙৈ মতম অমগী নুংশি নুংওনগী থাক অসি অসুক্কী মতিক ৱাংই। মণিপুরগী খুন্নাইগী অরিবা মতমদা চৎনরম্বা নুংশি নুংওনগী খোঙচৎ অমদি মসিগী চৎনরোল অসি মালেম শিনবা থুংনা চৎনরবদি পামদবা ৱাথোক অমত্তা থোক্লোই হায়বসিমসু চাম্মদা তঙ্খায় হেন্না চুমগনি।

চাওখৎপগী মীংদা ফংলিবা খুদোংচাবশিং মরম চানা শীজিন্নসি, মরম চাদ্রবশিংদি থাদোকসি। কান্নবা অদুতমক লৌরগা হেন্না ফগদবা তুংলমচৎ অমা শেম্বদা ঐখোয় খুদিংমক মাঙদা চঙশিল্লসি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কেলেন্দরদা এথলেটিক্স য়াওহনবা দরকার ওই

**—লৈশাংথেম অজিৎ—**

**মণিপুর** য়ুনিভর্সিটিনা চহীগী ওইবা স্পোর্টস কেলেন্দর অমা শেম্বীদুনা মশান্না কয়াদা ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্ট হায়বদি ইন্টর কোলেজ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্তুনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু মপূক্লিং থৌগৎতুনা লমজিংবিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা থোয়দোক হেন্দোকপা শান্নরোয়শিংবু ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সকী চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা ফংহনবীদুনা লমদম অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসি লৈবগী চাওথোকচবা অমদি মহৈরোয়শিংদা পীবিফম থোকপা থৌনা পীবীবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিং অদুনা তল্লিবা কোলেজ, মহাক্কী লৈকায়, খুল অদুগী মীয়ামদা অমদি শান্নরোয়শিংগী অহল লমনশিংদা অচৌবা ইথিল অমা পীবিদুনা লমদম অসিদা শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা চাওখৎনবখক্তা নত্তনা খুমাং চাওশিন্নবা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবিরিবা অসি মীয়াম্না পূক্লিং থৌগৎলি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী স্পোর্টস কম্মিটিনা লৌখৎপীরিবা থৌদাং অসিদা খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙথাংদি মখল কয়াগী মশান্নশিংদা ইন্টর কোলেজ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা খেন্ন-খেন্নবা মশান্নশিংগী অথোয় অহেন তান্নবগী য়ূম্বু ওইহন্দুনা য়ূম্বু ওইরিবা কোলেজ অদুগী ওজাশিং, ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়বু টুর্নামেন্ট অদু শিনবা লাংবদা শরুক য়াহন্দুনা মদুদা ফংহৌবা লৌশিং, এক্সপরিয়েন্স, মখোয়দা পীরিবা মোটিভেসনশিং অদুনা মখোয়দা তুং কোয়না শান্ন-খোৎনবগী হীরমশিংদা মায় ওনশিন্নবগী অফবা মচাক অমা ওইহল্লি।

ইন্টর কোলেজ চেম্পিয়নশিপ অসিনা মহৈরোয়শিং শান্নবদা মশীং য়াম্না শরুক য়াবগী খুদোংচাবা অমা পীবীবা ঙম্মী। স্পোর্টস নৎত্রগা কম্পিটিসন অমা পাঙথোকপগী পান্দমদি মকোক, মথং অমসুং অহুমশুবা পোজিসন্দা মনা পীনবা খক্তা নত্তে, হেক য়ারিবমখৈ শান্নরোয়শিং মশীং য়াম্না শরুক য়াহনবনি অমদি মীপুম খুদিংমকপু শরুক য়ানবা খুদোংচাবা পীবীবনি। মসিমক ওলেম্পিক্কী পান্দম অমা ওইরি। মদুদি গেমস অসিবু হৌদোক্লম্বা বেরোন পেরি দি কবরতিন্না অসুম্না হায়রি "ওলেম্পিক গেমসকী মরুওইবা পোৎশক্তি মায় পাকপা অদু নত্তে মদুদা শরুক য়াবা অদুনি।" মতৌ অসিগুম্না ইন্টর কোলেজ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপীবা অসিনা মহৈরোয়শিং মশীং য়াম্না মখোয় মখোয়না পামজরিবা মশান্নশিংদা শরুক য়াজবা ফংজৈ, মসিনা মখোয়দা এক্সপরিয়েন্স কয়া অমুক ফংহৌই। মশাগী ষ্টেন্দর্দ (চাং) খঙহৌই, মখোয়দা হেন্না হোৎননীংবগী থৌনা অমা লৈহনবা ঙম্মী। য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈবা কোলেজ কয়াদগী খনগৎলবা মহৈরোয়শিংনা শেম্বা টিম্না মশান্না কয়াদা ইন্দিয়াগী ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগী অথোয় অহেন তান্নবদা চেম্পিয়ন ওইরক্তুনা লমদম অসিগী নুপামচা অমদি নুপীমচাশিং অসিবু ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটিশিংনা তমজনফম ওইরি।

মসিগী মথক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন অমদি স্পোর্টস (সাইন্স) কী তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমা হাংদুনা দিগ্রি কোর্স, পোষ্ট গ্রেজুয়েট, মাষ্টর ওফ ফিলোসোফি অমসুং ডাক্তর ওফ ফিলোসোফিগী দিগ্রি পীদুনা, মহৈ-মশীন তম্বীবগী হীরমশিংদা মায় পাক্লা চত্থরি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা মখল কয়াগী মশান্নশিং সেলেবস অমগী মতুং ইন্না নিংথিনা তাকপীরবসু শান্নফম, প্লে ফিল্ড মতিক চানা লৈতবা অসিদি লমদম অসিগী মীয়াম্না নুংঙাইনদে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিং অসিগী মনুংদা ফিজিকেল এদ্যুকেসন অমসুং স্পোর্টসকী দিপার্টমেন্ট হাংদবা/য়ুনিভর্সিটিশিংদা ফাওবা শান্নফম মরাং কায়না লৈবখক্তা নত্তনা মতিক চানা ষ্টেন্দর্দ লৈবা শান্নফম কয়া অমুক থম্মী। মরম অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা শান্নফম মতিক চানা থমহন্নীংই, শান্নফম মতিক চানা থম্বা হায়রগা নাপী খুউ য়ৌনা হৌবা, চেম্পিয়নশিপ অমা পাঙথোক্কদবা নুমিৎ মরিনি, মঙানিগী মমাঙদা নাপী ককপা, ইরম-নালা লৈতবা, লম্পাক মনুংদা চোৎ-চোৎ লাওনা মতম অয়াম্বদা লৈবা অদুগুম্বা শান্নফমগী মওং অদুদি মীয়াম্না পাম্নদ্রিবা শান্নফমনি।

মণিপুরগী মীয়াম্না পূক্লিং নুংশিরিবা অমদি য়ুনিভর্সিটিগী অচৌ অশাংশিংদা ৱাকৎচবা ঙমজদবদি ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী মাষ্টর দিগ্রি পীবিরিবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা মীয়াম্না স্পোর্টসকী পৱার হাওসনি হায়না থাগৎনরিবা ষ্টেট অসিগী য়ুনিভর্সিটি অসিদা এথলেটিক্সকী লমজেল চেনফম ত্রেক (Athletics Track) অমা ফাওবা লৈতবা, থম্বা ঙমদবা অসিনি। ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী দিগ্রি পীবা দিপার্টমেন্ট অমা হাংলবসু হাংদ্রবসু য়ুনিভর্সিটি অমা লৈরবদি এথলেটিক্স ত্রেক অমা লৈগদবনি, লৈফম থোকপনি, মসি মালেমগী চৎনবীনি, মরী লৈনবশিংনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগা তান্নবীরবদি পূক্লিং থৌগৎপীগনি।

মপূং ফাবা লমজেল চেনফম ত্রেক অমা লৈতবা মফমদগী ফিজিকেল এদ্যুকেসন্দা দিগ্রি অমদি পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রি ফংলকপা হায়বা অসি ফনা য়াম্না ফবা মহৈরোয় ওইরবসু অতোপ্পশিংনা ইকায় খুম্নবা ৱাৎলক্কদবগী ফীভমদা লৈরক্কদবা মাল্লি। অদুবু খুমন লম্পাক্তা চৎলগা মসিগী ত্রেক্তা প্রেক্টিকেল তৌই হায়না পাউখুম অমদি খুন্নকপা য়াই। মসিদি প্রাক্টিকেল তৌবগী ৱাফম নত্তে। ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী মচাক অমা ওইরিবা, সাইন্সকী লেবোরেটরিগুম্বনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগী এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াই। মসিগীদমক য়ুনিভর্সিটি অসিনা পাউ অমা পীরগা ত্রাইএল অমা পাঙথোকই। মদুদগী খনগৎলবা এথলেটশিং অদু ইন্টর য়ুনিভর্সিটি এথলেটিক্সতা শরুক য়াহল্লি। অদুবু হৌখিবা চহী কয়া অমুক অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ইন্টর কোলেজ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্তনা লাকপা অসিগী মরমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱায়েল থৌদাদা মায়পুননা শরুক য়াবিরিবশিংদা নীংশিংজনীংই। চহীগী ফোঙবা স্পোর্টস কেলেন্দরদসু ইন্টর কোলেজ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপগী মরম থেংনদ্রি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী শান্ন-খোৎনবগী মরমদা ৱারেপ লৌবদা শরুক য়াবা ওজা অমনা হায়বদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিং অসি ইন্টর য়ুনিভর্সিটিদা শরুক য়ানবা ক্বালিফাইয়িং রেকোর্দ য়ৌদে । মরম অদুনা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্তবনি। এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্ত্রবদি করম্না শান্নরোয় অমনা ক্বালিফাইয়িং রেকোর্দ য়ৌই-য়ৌদে খঙগনি। ইন্টর য়ুনিভর্সিটিগী ক্বালিফাইয়িং মার্ক য়ৌবগা ইন্টর কোলেজ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপগা মরী লৈনদে। ইন্টর কোলেজ এথলেটিক্স মীট চাং নাইনা পাঙথোক্লবদি এথলেটশিংগী পার্ফোমেন্স হেনগৎলক্কনি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু য়ুনিভর্সিটি অমা লৈবা তারবদি ইন্টর কোলেজ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অমা পাঙথোকপা হায়বা অসিনা য়ুনিভর্সিটিগী শান্ন-খোৎনবগী চহীগী কেলেন্দরদা খ্বাইদগী মরুওইবনি। মসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অনৌবা ভাইস চাঞ্চেলর অসিগা নোংমা খুমন লম্পাক্তা থৌরম অমা পাঙথোকপদা ৱারী শাজখ্রে। মদুদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজা অমসু য়াওখি। মহাক্কা অমুক উনবা দরকার ওইরি।